

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 23, 2017 PAGE 7



টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়মগী চীয়রমেনগী ফম পুরন্নদগী মশাগী ওইবা টার্গেট্টিং পার্ফোমেন্স সেন্টরশিং হাংদোক্লবগী লমদা পূক্লিং চঙদুনা রিজাইন তৌখ্রবা ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট অভিনাব বিন্দ্রা

টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং হন্দক্কী টুর্নামেন্টকীসু টাইটল ফংনবা হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রোহন বোপানা

## ইষ্ট বেঙ্গলনা চেন্নাই সিটি এফসি মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে, গোকুলাম এফসিসু মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে

*চেন্নাই, দিসেম্বর ২২ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা তামিল নাদুগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফসিবু মায়থিবা পীদুনা টেলবগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। কেরলাগী ক্লব গোকুলাম এফসিনা পঞ্জাবকী ক্লব ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখ্রে।



*গোকুলাম এফসি অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমা*

হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী তামিল নাদুনা যুম্ফু ওইদুনা চেন্নাইদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা যুম্ফু ক্লব অদুবু ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৫ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা জপান মচা কাটসুমি য়ুসানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা য়ুম্বা চেন্নাই সিটি এফসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা চার্লিসনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা চেন্নাই সিটি এফসিবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা চেন্নাই সিটি এফসিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জেসুরাজনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা চেন্নাই সিটি এফসিবু ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবা মরম্না মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা চেন্নাই সিটি এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কেরলাগী ক্লব গোকুলাম এফসিনা পঞ্জাবগী ক্লব ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু শান্নরকপদা গোকুলাম এফসিগী মায়কৈদগী এটেক হেন্না চত্থদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা টিম অদুনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দানিয়েল অদ্দোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইন্দিয়ান এরোজবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী গোকুলাম এফসিনা ইন্দিয়ান এরোজবু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা গোকুলাম এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা খালেদ অলসালেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ান এরোজবু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু গোকুলাম এফসিনা ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ রুশিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল ৪(মরি)–জপান

এল. কালা, উরিপোক

চারগা মহাও খঙই, খাবা থুম্বা য়েংলগা খঙই, নুংঙাইবা নুংঙাইতবা ফাওই খঙই থম্মোয়না, লান তোইনা শোক্লবা লৈবাক্লা খঙই লানগী অৱাবা নুংঙাইবা মাঙজবা তোংজবা, পূম্নমক খঙই জপান লৈবাক্লা। পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইবা ফুরুপ কয়াগী মনুংদা জপানিজ তোপ তোপ্পা ওইবা চাদা নাওদা শওং–শাদা লিচৎ শাজৎ খর তোঙানবা হৌরকপা ফুরুপ ওইনা ঙসিসু হিংলি। মতম অমদা জপানিজশিং লান তোইনা শোক্লগনবা লৈবাক্লি হায়বা তাই ঈশিংনা কোইশিনবা আইলেনদ লৈবাক অমা ওইরবসু। শক ১৮৯৪–৯৫ অহানবা সিনো জপানিজ লান, চিনা–জপান ১৯০৪–০৫, রুসো জপানিজ, রুশিয়া–জাপান ১৯৩৯–৪৫ অনীশুবা সিনো–জপানিজ লান চিনা–জপান ১৯৩৯–৪৫, অনীশুবা পৃথিবিগী লাঞ্জাও বৃটেন, ফ্রান্স, য়ু এস এস আর, য়ু এস অতৈ লৈবাক খরগা নাকন অমদা লৈরগা জপান, জর্মনি, ইটালিনা মীচং অমদা লৈরগা মতম শাংনা শোক্লবা লানফমদা জপানিজশিংনা লান খিখিবনি। ওগষ্ট তাং ৬ অমসুং ৯, ১৯৪৫ নুমিৎ অসিদনি। নুমিৎ অসিগী অয়ুক্তা হিরোসিমা অমসুং নগাসাকিদা এটোম বোম থাদদুনা জপানিজশিং ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৫ দা সারেন্দর তৌদুনা সেপ্টেম্বর অনীদা লান লোইবগী এগ্রিমেন্ট তৌদুনা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও জপান এতোম বোমগী চৈনা ফংলবতদা লানগী অৱাবা নুংঙাইবা খঙলবগুম লানগী মহুৎতা শান্নবনা পৃথিবী অমত্ত ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না লৌরগা শান্ন–খোৎনবদা হেন্না মায় ওনশিন্নবা হোৎনবা হৌরকখি।

বুদ্ধিশ লাইনিংবা নম্মা চৎপা জাপান লৈবাক অসি ৬৬০ বি সিদগী নীংখা তম্বা লৈবাক ওইনা ১২৭,৭৬৫ স্কাৱার কিলোমিটর ওইরগা মীশিংনা ১২৭১০৩৩৮৮ (২০১৫ ফাওবগী ফোংবদা) পল্যামেন্টরী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইনা তোকিও কোনুং ওইনা পৈশা য়েন হায়না চৎনদুনা য়াম্না শুবা নোম্বা কনবা লৈবাক অমা ওইনা পৃথিবিগী চাওর–চাওরবা লৈবাক কয়াবু কৈথেল খুদুম চন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি খঙলে লান্না খুদুম চন্ননবা হোৎনবদগীদি লাল্লোন ঈতিক অমসু শান্ন–খোৎনবনা শন্তিগী পাউজেল য়েন্দুনা খুদুম চনবনা হেন্না ফৈ হায়বসিরোমদা




শান্ন খোৎনবরোমদসু হেন্না মায় ওনশিনবা ওইনা শক ১৯৫৮ দা এসিয়া মহাদেশকী ওইবা লৈবাক কয়াগী ওইবা এসিয়ান গেমস ১৯৫৮ জাপান্না যুম্ফু ওইদুনা কোনুং টোকিয়োদা পাঙথোকখি। মে, ২৪ দগী জুন ১, ১৯৫৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস অসিদা শান্নরোই এঠলেট ১৮২০, এসিয়ান লৈবাক ২০ দগী লাক্তুনা ইভেন্ট ৯৭, নন ওলেম্পিক স্পোর্টস জুদো, টেবল টেনিস, টেনিস অমসুং ভোল্লিবোল অহানবা ওইনা য়াওবা ওইনা পৃথিবীগী মীয়াম্বু পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্নবা হোৎনবা হৌখিবনি। মায় পাকপা এসিয়ান গেমস পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙম্বসু ঙমখি হোৎনবা কনবা জপান লৈবাক্লা পৃথিবগী লৈবাক কয়াবু পুক্লিং চিংশিন্দুনা শন্তিগী পাউজেল য়েন্দুনা অহানবা ওইনা শক ১৯৬৪, ওক্টোবর ১০দগী ২৪ ফাওবা মায় পাক্লা পাঙথোকখি টোকিয়োদা সমর ওলেম্পিক গেমস ১৯৬৪ নুপা শান্নরোই ৪৪৭৩ নুপী ৬৭৮ পুন্না ৫,১৫১ না ইভেন্ট ১৬৩ দা অথোই অহেন তান্নহন্দুনা এসিয়া লৈবাকশিংগী মনুংদা অহানবা ওলেম্পিক গেমস যুম্ফু ওইবগী চাওথোকচনিংঙাই ওইনা।

শক ১৯৪০ দা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক গেমস যুম্ফু ওইবগী খুদোংচাবা ফংলম্বা জপান লান পাম্বা লৈবাক ওইনা লৈরুবনা চিনাগা লান শোক্লবনা মরম ওইদুনা ঙমহৌখিদে। কোন্নদি নিংঙমহৌদবা জাপান লৈবাক মথং মথং শান্নবরোমদা ওনশিনখিবদগী অমুক ১৯৯৪ দা এতোম বোম তাখিবা মাঙতাক্লবা হিরোসিমা, অনৌবা পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্বা সহর অমা ওইনা শেমগৎতুনা শাগৎতুনা লান নঙ অমুক হন্না লাক্লনু এতোম বোম নঙ অমুক হন্না পোখায়রননু হায়না তরানিথোইশুবা এসিয়ান গেম ১৯৯৪ না শান্তি অমসুং অমৎতা ওইনা চান্ন–চিন্নবা (পিস এন্দ হারমোনি) ওইরসি হায়বা পাউজেলদা শান্নরোই ৬৮২৮ ইভেন্ট ৩৩৭ অথোই অহেন তান্নদুনা ওক্টোবর ২দগী হৌদুনা ওক্টোবর ১৬ তা মায় পাক্লা নুংশিরবা পাওজেলসিগা লোয়ননা লোইশিনখি। জাপান লানগী চৈথেং ফংলবা তুংদগী শান্ন–খোৎনবদা মায় ওনশিবা শুংলেপ লেপ্তুনা ওইনা অমুকসু শক ২০০২ দা পৃথিবগী লৈবাক কয়ানা যুম্ফু অমুক্তা ওইজগে হায়না তান্নরিবা পৃথিবগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না মীশিং য়াম্না য়েংনরিবা মশান্না ফুটবোলগী ওইবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০০২ সাউথ কোরিয়াগা পুন্না যুম্ফু ওইদুনা ফুটবোল মশান্নরোমদসু অকনবা মীয়েং থমদুনা জপানীজ ঐখোয় লান তোক্লসি ফুটবোল শান্নসি হাবরোমদা ইনোৎ হেন্না হাপ্পা হৌরকখি।

এসিয়া লৈবাক্তগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অহানবা পাংথোকপা অদুগা লৈবাক অনীনা পুন্না যুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপসু অহানবা ওইরিবনি। হৌজিক্কী জাপান ফুটবোল মশান্নদসু য়াম্না হৈতবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইদ্রে, ফিফা রেঙ্কিংদা ৫৫ শুবদা লৈদুনা হন্দকসু ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ দা এসিয়া লৈবাক্তগী ক্বালিফাই ওইদুনা গ্রুপ ঐচদা পোলেন্দ সেনেগানা অমদি কলম্বীয়াগা পুন্না তামিন্নদুনা গ্রুপ অমুক চংবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরা বোসোনিয়া মচা কোচ ভাহিদ হালিল হোদজিক্কী মীয়েং মখাদা জাপানগী য়াম্না এক্সপিরেন্স লৈরবা ফুটবোল্লর গোলকিপরদা ঈজি কাৱামিমা, দিফেন্দর জেন সোজি, য়ুটো নাগা টোমো, মায়া য়োসিদো মিদ ফিল্ডরদা টাকুমা অসানো, য়ো সুকে ইদি গুচি, কেপ্টেন ওইনা মাকোটো হাসেবে, ফোরৱার্দতা সিনজি ওকাজাকী য়াওনা য়াম্না অকনবা মওংগী ত্রেনিং পীদুনা অহানবদা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙদবা য়াদে অদুগা ৱার্ল্ড কপ অমুক্তংদি চেম্পিয়ন ওইদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন দা রুশিয়া খোঙশানগদবগী পোৎয়োন য়োমশিন্দুনা ঙাইদুনা লৈরি। হৌজিক্কী জাপান লান তোক্লে হোৎনবা কনবা শন্তিগী লৈবাক অমা ওইনা অমুকসু হেন্না শেমজিন শাজিনবা লোইশিল্লক্তুনা শন্তি পাওজেল টিঠি কয়া থাদুনা লাকপীয়ু, লাকপীয়ু লাকপিদবা য়াদে অদোম পূম্নমক থেংনসি উন্নসি ২০২০ সম্মর ওলেম্পিক গেমস জাপান, কোনুং টোকিয়োগী নিয়ু নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা।

## রোহিট শর্ম্মগী বোল ৪৩ গী রন ১১৮ না শ্রী লঙ্কাবু ইন্দিয়ানা অনীশুবা টি–২০ মেটচ থোইদুনা মেটচ ৩ গী সেরিজ ২–০ দা থোইদুনা লৌখ্রে

*ইন্দোর, দিসেম্বর ২২ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা টি–২০ মেটচ ৩ গী সেরিজগী মনুং চন্না ঙসি মধ্য প্রদেশকী খ্বাইদগী চাউবা সিটি ইন্দোরদা লৈবা হোলকার ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা বোল ৪৩ দা রন ১১৮ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাবু রন ৮৮ দা থোইদুনা সেরিজ অদু ২–০ দা হেন্দুনা লৌখ্রে।



*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল ৪৩ দা রন ১১৮ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা ফোর থোম্বা*

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস শ্রী লঙ্কানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টি–২০ গী য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উত্তুনা ওভর ২০ শান্নবদা অদুদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা রন ২৬০ লৌখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন রোহিট শর্ম্ম অমসুং লোকেস রাহুলনা হৌদোরকখি। মখোয় অনীগী মশান্না অদুনা অহৌবা ১২ অদুদা রন লৌবগী খোঙজেল য়াম্না ৱাংদুনা রন ১৬০ লাম্থোকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা বোল ৪৩ মায়োক্লবদা য়াম্না অহেনবা মওংদ শ্রী লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু থেংনদুনা সিক্স ১০ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১১৮ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট ওইনা মহাক ১৩শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা আওট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী স্কোর বোর্দতা রন ১৬৫ লৈখি।

ইন্দিয়াগী কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি মমাঙগী মেটচশিংদা বেট্টিং ওর্দরগী ৫শুবদা লৈরম্বা অদু হাইগৎতুনা অহুমশুবদা শান্নখি। মহাক্লা লোকেস রাহুলগা মখা তানা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা রন ৭৮ হাপচিন্দুনা ইন্নিংস অদুগী ওভর ৬ শান্নখিবদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ২৪৩ শুহনখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুগী ১৯শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা ওপনর লোকেস রাহুল বোল ৪৯ মায়োক্লবদা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৮৯ দা আওট ওইখি।

মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা হর্দিপ পান্দিয়া য়াম্না অথুবা মওংদা শুপ্নগী বোল ৩ মায়োক্লবদা রন ১০ লৌরমখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা আয়র রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

লেমহৌবা বোল ৪ দা মখা তানা ইন্দিয়ানা রন ৬ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৬০ দা লোইশিনখি।

মেটচ মায় পাক্লবা শ্রী লঙ্কানা রন ২৬১ গী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ১৮ গী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭২ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৮৮ দা মায় পাক্তুনা মমাঙদা অহানবা মেটচ থোইখিবা অদুগা লোয়ননা মেটচ ৩ গী সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা ২–০ দা হেন্দুনা লৌখিবনি।

শ্রী লঙ্কানা রন ২৬১ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু লৌননবা শান্নরকপদা মখোয়গী ওপনর নিরোসান দিগৱেলা অমসুং উপুল থারঙ্গানা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৩৬ লৌরমখি। ওপনর নিরোসান দিগৱেলা মশাগী রন ২৫ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অতোপ্পা ওপনর উপুল থারঙ্গানা লৌরম্বা রন ৪৭ অমদি অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা কুসাল পেরৈরানা বোল ৩৭ তা রন ৭৭ লৌরম্বা অদু নত্তনা শ্রী লঙ্কাগী মখা তাবা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু রন ৮৮ দা থোইখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম ইন্দিয়ানা যুম্ফু ওইদুনা সেরিজ শান্নগদৌরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই)না ফোঙদোরকপা ৱাফমদা ইন্দিয়ানা যুম্ফু ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ক্রিকেট সেরিজ শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুনা ইন্দিয়াগী টিমগা মথং চহীগী মার্চ থাদা ৱান দে মেটচ ৩ শান্নগদৌরি। ৱান দে মেটচ অহুম্মক গুজরাটকী সিটি বরোদাদা শান্নগদৌরি।

ৱান দে মেটচ অহুম অদু মথং চহীগী মার্চ ১২ দগীনা মার্চ ১৮ ফাওবা শান্নগদৌরি। মদুগী মতুং ইংলেন্দগী টিম য়াওরগা ইন্দিয়ানা টি–২০ ত্রাই সেরিজ অমসু শান্নগনি। হায়রিবা টি–২০ ত্রাই সেরিজ অদুনা মুম্বাইদা কুমজা ২০১৮ গী মার্চ ২২ দগী শান্নবা হৌরগা এপ্রিল ৩ দা ফাইনেল শান্নগদৌরি। টি–২০ ত্রাই সেরিজ অদুদা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়াগা মার্চ ২৬ তা শান্নগনি।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদৌরিবা ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজ অদুগী মাঙওইননা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অদুনা মুম্বাইদা ইন্দিয়াগী নুপীগী 'এ' টিমগা ৱার্ম অপ মেটচ অনী শান্নগদৌরি।

## টিওপি কমিতিগী চীয়রমেন ফমদগী অভিনাব বিন্দ্র রিজাইন তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ওলিম্পিক্লতা মেডল ফংনবগী পায়খৎখিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম (টিওপি) গী কমিতিগী চীয়রমেনগী ফম পায়রম্বা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ওলিম্পিক্লকী গোল্ড মেডালিষ্ট অভিনাব বিন্দ্রা রিজাইন তৌখ্রে।

অভিনাব বিন্দ্রানা ঙসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী টিওপিগী চীয়রমেনগী ফম অদুদগী রিজাইন তৌখিবগী চেরোল পীশিল্লদুনা মহাক্কী টার্গেট্টিং পার্ফোমেন্স সেন্টরশিং ফগৎনবা অমদি অতোপ্পা প্রাইভেট প্রোজেক্তশিংদা মীৎয়েং চঙশিনবগী থৌদাং অদুনা মরম ওইখিবনি হায়খি।

পনবা য়াই অভিনাব বিন্দ্রা ইন্দিয়াগী সুট্টিং মশান্নগী ওইনা নেসনেল ওবজার্বরসু ওইরম্বনি। হায়রিবা ফম অদুদগীসু রিজাইন তৌখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা সুট্টিংগী চেম্পিয়ন অসিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান গভর্নমেন্টকী তোঙান–তোঙানবা ফম পায়না পায়না মহাক্কী মায়কৈদগী নৌনা হৌগৎলক্লিবা সুট্টরশিং শেমগৎপগী থৌদাংগা পুনশিনবা য়াদবগী মতাংনা ফম থাদোকপনি হায়খি।

## প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা সিন্ধু অমসুং সাইনা লম্বা তৌনগদৌরি



*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২২ঃ*

ইন্দিয়ানা যুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপা ৩লক শুবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী হয়েং গুৱাহাটিদা হৌগদৌরিবা অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন চেন্নাই স্মার্সস অমসুং অৱাধে ৱারিয়র্সকী লম্বাদা ওলিম্পিক মেডল ফংখ্রবা শান্নরোই অনী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল থেংনরগনি।

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন চেন্নাই স্মার্সসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী রিও ওলিম্পিক্লকী সিলভর মেডালিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা লুচিংদুনা অৱাধে ৱারিয়র্সকী লন্দন ওলিম্পিক্লকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট সাইনা নেহৱালগা নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইনা লম্বা তৌনগদৌরি।

চেন্নাই স্মার্সসকী টিম অদুদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজ অমসুং থাইলেন্দগী টানোনসাক সেন্সোমবুন্সুকনা মরুওইবা শান্নরোই ওইগদৌরি। মখোয় অনীগা লোয়ননা অতোপ্পা সিঙ্গলস শান্নরোই অনী অদুদি অদিত্য জোষি অমসুং দেনিয়েল ফারিদনি।

টিম অদুগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সিন্ধুগা লোয়ননা শান্নগদৌরিবী অতোপ্পা শান্নরোই অদু ইন্দিয়াগী তানবি লরনি।

চেন্নাই স্মার্সসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা শান্নরোই অহুম অদুদি গ্রেট বৃটেনগী খৃস এদকোক, কোরিয়াগী লি য়াং অমসুং ইন্দিয়াগী বি সুমিত রেদ্দিনি। অদুগা নুপীগী দবলসতা গ্রেট বৃটেনগী গেব্রিয়েল এদকোকসু য়াওরি।

অৱাধেগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই শ্রিকান্থনা কাশ্যপ অমসুং অগরৱালনা মরুওইবা শান্নরোই ওইগদৌরি। নুপীগী কাঙলুপ্তা নেহৱালবু সাই রাওনা মতেং পাঙগদৌরি। টিম অসিগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়াগী হেন্দ্রা সেটিয়াৱান অমদি হোং কোংগী চিন চুং অমসুং টাং চুং য়াওরি। লোয়ননা নুপীগী দবলসতা দেনমার্ককী মায়কৈদগী খৃষ্টিনা পেদরসন অমসুং ইন্দিয়াগী মহিমা অগরৱাল শরুক য়াগদৌরি।